# তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফিগী ফাইনেলদা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈ অমদি ও এফ এনা শান্নরগনি



ইম্ফাল,জুন ১২ (এস এন এস) ঃ
ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ– ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরকপা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লল্লাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈ অমদি ও এফ এ পূঙদোংবমনা থা অসিগী ১৬ তা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্টকী ৫৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈ অমদি য়ৌরবুং এফ সিনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈনা য়ৌরবুং এফ সিবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা য়ৌরবুং এফ সিনা বোল হেনা পায়রগা শান্দুনা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গোল অদু য়ৌরবুং এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ লৈশেম্বনা মেটচকী মিনট ৫ চৎপদা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

য়ৌরবুং এফ সিনা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদা গোল শোত্থরিবা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈনা হাল্ফ লোয়দ্রিঙৈ মমাঙদা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু য়ৌরবুং এফ সিগী গোল কীপ্পরনা মথৌ খঙনা শান্দুনা হাল্ফ অসি লোয়বা ফাওবদি গোল চলহন্দনা লৈহনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা য়ৌরবুং এফ সিবমু চপ চানা শীঙ্নরকখি।

মদুগী মমল য়াল্লবা মহৈ অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা জর্সি নম্বর ৫ রোজেননা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্না লৈখি।

গোল মন্না লৈবদগী মেটচকী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওন্নবদা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈনা গোল ৪ অদুগা য়ৌরবুং এফ সিনা গোল ৩ খক চন্দুনা মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

মায় পাক্লবা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈনা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ প্রেম, জর্সি নম্বর ৬ রোহেন, জর্সি নম্বর ১২ বিনোদ অমদি জর্সি নম্বর ৫ রোজেননা চনখি।

অদুগা মায়থিরবা য়ৌরবুং এফ সিগী পেনালটিগী গোল অহুম অদুনা জর্সি নম্বর ২ অর্জুন, জর্সি নম্বর ৭ লৈশেম্বা অমদি জর্সি নম্বর ৯ দেন্নেলনা চনখি।

মেটচ অসিদা লক্কী ষ্টার অচানবীগৈগী জর্সি নম্বর ৭ প্রেম অমদি য়ৌরবুং এফ সিগী জর্সি নম্বর ১ সনাহনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী ৫৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা ও এফ এ পূঙদোংবম অমদি সেক্তা (এ) সেক্তানা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা ও এফ এ পূঙদোংবমনা সেক্তা (এ) সেক্তাবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্লা য়াম্না লান্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্লা মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চখন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ও এফ এ পূঙদোংবমনা মেটচ অসি অমুক লাকশিন্না শান্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ৩৮ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ পোরৈতোননা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা ও এফ এ পূঙদোংবমবু ফাইনেল তম্মা পূশিনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ও এফ এ পূঙদোংবমগী জর্সি নম্বর ১১ পোরৈতোন অমদি সেক্তা (এ) গী জর্সি নম্বর ১২ নোংপোকঙানবদা য়োলো কাদ বুক তৌখি।

# টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯ ঃ এম ৱাই দি এ মাইরেন খূল ফাইনেল চঙদুনা লম্বা ঙাইখ্রে



ইম্ফাল,জুন ১২ (এস এন এস)ঃ
তেন্থা খোঙবান ৱেল ফিয়ার এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিউ এল) তেন্থা খোঙবাননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১২ দগী মল্টিপেক্স গ্রাউন্দা তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ–১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরকপা টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ এম ৱাই দি এ মাইরেন খূল মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা এম ৱাই দি এ মাইরেন খূল অমদি ৱাঙ্গোই এফ সি ৱাঙ্গোইনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা এম ৱাই দি এ মাইরেন খূলনা ৱাঙ্গোই এফ সি ৱাঙ্গোইবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী এম ৱাই দি এ মাইরেন খূলনা ৱাঙ্গোই এফ সিবু লাকশিন্না শান্দুনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখদুনা প্রেসর পীশিনখি।

এম ৱাই দি এ মাইরেন খূলগী অহানবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ সঙ্করনা মেটচকী মিনট ১৮ চৎপদা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী থংন্নবা মিনট ১৯ দা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ রাকিপনা অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা ৱাঙ্গোই এফ সি ৱাঙ্গোইনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা এম ৱাই দি এবু লাকশিনলক্তুনা মেটচকী মিনট ৩২ চৎপদা ৱাঙ্গোইগী জর্সি নম্বর ৮ অঙৌসননা গোল হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈখি।

ৱাঙ্গোই এফ সিনা গোল হন্দোক্লবা মতুংদা গোল মাঙজিল থারিবা এম ৱাই দি এ মাইরেন খূলনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা ৱাঙ্গোই এফ সিগী মায়কৈদা হেনা এটেক কনশিলক্তুনা দিফেন্সতখক্তদা মথৌ তৌহনখি।

এম ৱাই দি এ মাইরেন খূলগী জর্সি নম্বর ৬ অজে চেত্রিনা মেটচকী মিনট ৪৮ চৎপদা ৱাঙ্গোই এফ সিগী দিফেন্দরগী অহোবগী তঞ্জাদা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা ৱাঙ্গোই এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরবসু ঙমদবদগী এম ৱাই দি এ মাইরেন খূলগী মখূৎতা মায়থিবা নংদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা ৱাঙ্গোই এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ অঙৌসনা অমদি জর্সি নম্বর ৫ দিনেসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৬ তা তাম এফ সি সেক্তা অমদি শম্ফাবী এফ সি সাপমনা শান্নগনি।

# মরিশুবা খুমুকচম ইবুঙোয়াইমা নীংশিং ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্টগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মৈরা অমদি কোসমো শান্নগনি



ইম্ফাল,জুন ১২ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম ওঙবী লীয়োনি দেবী মোমোরিয়েল ট্রস,খুয়াথোংনা স্পোন্সর তৌরগা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৩ দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চখরিবা ৪শুবা খুমুকচম ইবুঙোয়াইমা সিংহ নীংশিং মেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা মৈরা বাশিখোং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা মেটচ ওইনা মৈরা বাশিখোং অমদি কোসমো ৱাঙ্খেনা শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বাশিখোংনা কোসমো ৱাঙ্খেবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মৈরা বাশিখোংনা পেনালটি কোন্নর ৪ অমদি কোসমো ৱাঙ্খেনা পেনালটি কোন্নর ১ ফংনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নাখিদে। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা মৈরা বাশিখোংগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা জর্সি নম্বর ১০ বি ইনাওচানা মিনট ২, জর্সি নম্বর ১৭ টি ঐচ বিরজিৎনা মিনট ১০ অমদি অনীশুবা ক্বার্টরদা জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ সুভাসনা মিনট ২৪ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা কোসমো ৱাঙ্খেগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ থাবলনা অনীশুবা ক্বার্টাগী মিনট ২২ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচতা মায় পাক্লবা মৈরা বাশিখোং টিমগী জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ সুভাসনা তাখি।

মেটচ অসি পি অদীবা অমদি এস গান্ধীনা অম্পায়র, ঐচ জয়না জস অমদি এম রোমেননা টেক্নিকেল ওফিসর ওইদুনা মেটচ কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৪ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা মৈরা বাশিখোং অমদি কোসমো ৱাঙ্খেগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নুংথিল পুং ৩ তাবদা ৱাই এ সি য়াইস্কুল অমদি হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগা শান্নগনি।

# ঙাঙোম রঞ্জন নীংশিং ফুটবোল

ইম্ফাল, জুন ১২ (এস এন এস) ঃ
য়ং বোইজ পূখাওনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ২৮ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়েল মেন্স ওপন সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই এম সি হরাওরৌ অমদি ই য়ু এস সি তেলৌ মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই এম সি হরাওরৌ অমদি এ এন ৱাই সি ঙাইরাংবমনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এম সি হরাওরৌনা এ এন ৱাই সি ঙাইরাংবমবু য়াম লাকচন্না গোল ৬– ৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই এম সি হরাওরৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ অথোইনা মিনট ১৭, ১৯,২০ অমদি ২৮ দা গোল ৪ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ দুনা জর্সি নম্বর ৬ দিপকনা মিনট ২৪ অমদি জর্সি নম্বর ৫ সদানন্দনা মিনট ২৫ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা এ এন ৱাই সি ঙাইরাংবমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এল পোইরৈনা মিনট ৩২,৩৩ দা গোল অনী অদুগা জর্সি নম্বর ১২ এল মৈরাবনা মিনট ৪০দা গোল অমা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা ই য়ু এস সি তেলৌ অমদি নসরি এফ সি খেক্মিগাওনা শান্নখিবা মেটচতা ই য়ু এস সি তেলৌনা নসরি এফ সি খেক্মিগাওবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ই য়ু এস সি তেলৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ রমানন্দনা মিনট ৮ দা গোল অমা অদুগা অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এন জি জিতেননা মিনট ৯,২১ অমদি ২৯ চৎপদা চনখি।

# এন সি এম এম অমদি এল ৱাই টি এন এম ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল,জুন ১২ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী নুপীগী টিম ৩ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টিদিয়মদা চখরকপা অনীশুবা ফঞ্জৌবম সুশিলকুমার সিংহ নীংশিং ৱুমেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা এন সি এম এম সাবল লৈকাই অমদি এল ৱাই টি এন এম মন্ত্রি পূখ্রিনা থা অসিগী ১৬ কী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি এল ৱাই টি এন এম মন্ত্রি পূখ্রি অমদি পি ই টি খুমন লম্পাকনা শান্নখিবা মেটচতা এল ৱাই টি এন এম মন্ত্রি পূখ্রিনা পি ই টি খুমন লম্পাকপু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এল ৱাই টি এন এমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সুনিবলানা মিনট ১, জর্সি নম্বর ১৭ ইনাওচানা মিনট ১৬, জর্সি নম্বর ১১ তিলোতমানা মিনট ১৮ অমদি ১৯ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৪ জোগিতানা মিনট ২০ দা চনখি।

মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচতা মন্ত্রি পূখ্রিগী জর্সি নম্বর ১১ তিলোতমানা তাখি।






# মণিপুরনা দিল্লিবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (এস এন এস) ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওডিসাগী কটকতা থা অসিগী ৭ তগী ২০ ফাওবা পাঙথোলিবা সব জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা দিল্লিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মণিপুরগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ২২ দা অঞ্জুননা গোল অমা অদুগা অম্বিকানা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৪১ দা চনখি।

মণিপুর মেটচ অসি মায় পাকখ্রবসু চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা বিহারগী মখুৎত্তা ৩–১ দা মায়থিবা নংখ্রবনি।

মণিপুরগী টিম অসিগী কেপ্তেননা এম জিনা চনুনি। অদুগা ওফিসিয়েল ওইনা দেবোলা য়ুম্নামনা মেনেজর অমদি এ মুনিরাম সিংহনা কোচ ওইনা লূচিঙলি।

# ইম্ফাল রেঞ্জনা ইন্টর রেঞ্জ সি আর পি এফ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১২ (এস এন এস) ঃ
গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ ইম্ফালনা য়ুম্ব ওইদুনা ঙরাংদগী গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাঙজিংদা চখরকপা ইন্টর রেঞ্জ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ওফ নোঠ ইষ্ট জোনগী ৱিন্নর ইম্ফাল রেঞ্জনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল রেঞ্জনা কোহিমা রেঞ্জপু গোল ২২–১৯ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ঙসিগী অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল রেঞ্জনা অগরটলা রেঞ্জপু গোল ৩২–২১ দা, অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতনা কোহিমা রেঞ্জনা খট খটি রেঞ্জপু গোল ২৫–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা ঐচ সি /জি দি ইম্ফাল রেঞ্জকী টি এস সঞ্জয় সিংহনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা আই পি এস, আই জি পি, সি আর পি এফ মণিপুর অমদি নগালেন্দ সেক্টর অন্সুমান য়াদবনা চীফ গেষ্ট, দিপুটি ইপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জি সি সিআর পি এফ ইম্ফালগী আই লোকেন্দ্রো সিংহগা লোয়ননা অতোপ্পা সিনিয়র ওফিসর, এস ও এস অমদি জৱান কয়াসু শরুক য়াখি।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা অন্সুমান য়াদব অমদি আই লোকেন্দ্রা সিংহনা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা টিমশিং অদুদি– ইম্ফাল রেঞ্জ, বোনগগাই গোন রেঞ্জ, কোহিমা রেঞ্জ, গুৱাহটি রেঞ্জ, দিভুগর রেঞ্জ, অগরটলা রেঞ্জ, সিলচর রেঞ্জ অমদি খাট খাটি রেঞ্জনি।



জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী অধক্ষ্য জিলা পরিষদ কে ঐচ জানকি দেবীনা য়াইরোল পোকপী গ্রাউন্দা জে ৱাই সি চেলেঞ্জ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখিবা। টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা জিরি পুলিসনা জারোল পোকপী য়ুঠ ক্লবপু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com